# কংলৈ মাইম থিয়েটর রেপরটোরিগী কলাকার এম ইনাওতোন সিংহ



করিগুম্বা হিরম অমদা নৎত্রগা অমদা থম্মোয় শেঙনা লাইনিং ওইদুনা হোৎনরগদি ঙমদবা লৈতে, হায়বগী ময়েক লারবা খূদম অমা ওইরিবা এম ইনাওতোনগী কলাগী খোঙচৎনি।

ঙাংবা অমসুং তাবগী শক্তি ৱাৎপা মীশক অমা ওইরিবা কলাকার (মাইম) অসি ঙসিদি মালেমগী ওইনা মাইম থিয়েটরগী লমদা শিংথানবা য়ারবা সংস্থান অমা ওইরিবা মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা কংলৈ মাইম থিয়েটর রেপরটোরিগী নহা ওইরিবা লিদিং এক্তর অমা ওইনা শিংথানবা য়ারবা প্লে কয়াদা শক্তম লাংদুনা ভারতকী অচৌ-অচৌবা ষ্টেটশিং দতা নৎতনা মালেমগী মফম কয়াদসু মায় পাক্লা শক্লাইরবা কালাকার কয়াদগী থাগৎ ৱাহে কয়া ফংবা ঙমখ্রবা এম ইনাওতোননি।

য়াম্মা অঙাং ওইরিঙৈ মতমদগী কালাবু পামজবা মীশক অমা ওইনা হৌরকখিবা ইনাওতোনগী কালাগী খোঙজৎতি তশেংনা ঙসিগী মীরোলশিংগী তমজনফমনি। খরদং তমজবা অসিনদি অৱাৎপতমক ওইরগদবা, অঙাং পীশক ওইরিঙৈদগী মঙলান অমা ওইনা লোয়নরক্লবা এম ইনাওতোনগী কলাগী মায় পাক্লবা খোঙচৎ অমা মাগী ওজা লমদম অসিদা অনী শুদবা মাইমগী সংস্থান অমা ওইরিবা কংলৈ মাইম থিয়েটর রেপরটোরিগী দাইরেক্টর ডা. য়ুম্নাম সদানন্দ (বোবী) থেংনরুবা তুংদা, মাগী ওজা অসিগী লমজিং-লমতাক্কী মখাদা মায় পাক্লা চঙশিনবা হৌরকখি।

ইংশোক ১৯৮৮ দা কোংবা ক্ষেত্রি লৈকাইদা পোকখিবা এম ইনাওতোন য়াম্না নহা ওইনা মাইম থিয়েটরগী কালাকার অমা ওইনা মায় পাক্লা চঙশিনলিবা মীশক অমনি। ঙাঙবা অমসুং তাবগী শক্তি ৱাৎপা মীশক অমা ওইরিবা কলাকার অসিগী তোপ-তোপ্পা গুন অমা হায়রগদি মাবু মীপুম খূদিংনা নুংশিবীবা, মাগী হৈ-শিংলবা বোদি লেঙ্গুয়েলজনা মানা ফোঙদোক্লিংলিবদু মীপুম খূদিংমক্তা ইরায় লায়না উৎথোকপা ঙম্বগী হৈ-শিংবা অদু অঙাং পীশক ওইরিঙৈদগী লোয়নরকই।

অসুম্না ইনাওতোননা করিগুম্বদসু মশাদা কলাকার অমা ওইনিংবগী অপাম্বদুদি কৈদৌনুংদা থাদোকখিদবা অদুমক্লা মহাক্কী মায় পাক্লবগী খ্বাইদগী মরুওইবা মরম অমা ওইরি। অসুম্না কে এম টি আর গী দাইরেক্টর ডা.ৱাই সদানন্দগী মীৎয়েং মখাদা মাইমগী ঐচ তোম্বী শর্ম্মাগী মখশতা ত্রেন তৌখি।

## ঐচ রাজেস

অমদি মণিপুর মনুং অমদি কলাকার অমা ওইনা খোঙ থাং জিনবা হৌখি।

লোয়ননা তেল্লবা মতম খরগী মনুংদা রেপরটোরি অসিগী মরুওইবা নহা এক্টর অমা ওইনা সংস্থান অসিগী মমিং লৈরবা প্লে কয়াদা শরুক য়াদুনা মীয়াম্না পাম্নবা মশক নাইবা এক্টর অমা ওইনা মীয়াম্না শকখঙনরকখি। তুংদা লম অসিদা শক্লাইরবা গুরু নিরঞ্জন গোস্বামী অমদি গুরু মপান্দা পাঙথোকপা মাইমগী ৱার্কসোপ কয়াদসু শরুক য়াদুনা হিরম অসিদা অহেনবা লৌশিং জ্ঞান কয়া ফংবা ঙমখি। অসুম্না লোল য়াওদবা মখলগী কলা অমা ওইরিবা মাইমনি। অসিগুম্বা মখলগী কলা অসিনা থেংলবসু থেংনা লমদম অসিগী অমত্তা ঙাইরবা কে এম টি আর না ভারততা অমদি মালেমদা লমদম অসিগী লৈবাক লৈহাওদা য়ুম্ফম ওইবা প্লে কয়া উৎতুনা মালেমদা অৱাংবা ফিদা কন্দুনা লাক্লি।





অসুম্না এম ইনাওতোনসু অসিগুম্লবা কে এম টি আরগী মশক নাইবা প্লে কয়াদা শক্তম লাংবা অমা ওইনা শিংথানিংঙাই ওইবা থৌদাং য়ারি। নিংখিবা হোংবা লৈতবা, এম ইনাওতোন হৌজিক-হৌজিক মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী, ইম্ফাল অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী স্কোলরসিপ ফংখ্রে।

লোয়ননা মহাক্লা মাইমগীদমক তৌরিবা থবক কয়া অসিবু শকখঙবিদুনা চৎলিবা চহী অসিদা পীখিবা মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমীগী ‘য়ং টেলেন্ট এৱাদ’ ফংখি। হৌজিক ফাওবদা, ইনাওতোন না শরুক য়াখিবা মরুওইবা ফেষ্টিভেল খরদং পনবা তারগদি ঃ-

*NSD, New Delhi না শীন্দুনা পাঙথোকপা Theatre Festival for Children,

* South Korea দা পাঙথোকপা Chuncheon International Theatre Festival

* Armenia গী High Fest International Performing art Festival অমদি Theatre Olympic শিংথাবা য়াই।


লোয়রকপদা, লোল য়াওদবা মখলগী কলা অসিদা মায় পাক্লা চঙশিল্লক্লিবা কলাকার এম ইনাওতোনগী লাক্কদবা পুন্সিনা হেন্না হেন্না মায় পাকপা ঙম্বা ওইবিয়ু হায়না পাউচে অসিগী মায়কৈদগী থজমরি।

# মহৈরোইশিংগী খুদোল





*TITLE : SAVE WATER SAVE EARTH*
**Valencia Asem**
Class: IV
Roll No: 6
School: THE BLOSSOM SCHOOL






*TITLE : UCHIHA PARADA*
**Luwanganba Mayengbam**
Class: II , Sec : A
Roll No:19
School: IMPHAL PUBLIC SCHOOL





*TITLE : SAVE WATER SAVE EARTH*
**Chingkhei Asem**
Class: VI,
Sec : D
Roll No: 15
School: Pitambara Eeglish School





*TITLE : PIKACHU*
**Princenanda Laishram**
Class: K.G
Sec : B,
Roll No : 26
School :PREMIER ENGLISH ACADAMY





*TITLE : JASMINE.*
**Y. Lanchenba**
Class: II,
Sec : A
Roll No- 10
School: The Blossom School





*TITLE :PEACOCK*
**P. Chingkheinganba**
Class: III
Sec : Jasper
Roll No- 35
School: Heritage Convent





*TITLE :A GIRL*
**Joshana Kh.**
Class: III
Sec : Jasper
Roll No: 2
School: Heritage Convent







*TITLE :TALKING OLD MAN*
**Melenson Soibam**
Class: III
Roll No: 46
School: Heritage Convent



*TITLE : SCENERY*
**Namram Jelui**
Class: IV,
Sec :Garnet
Roll No- 21
School: HERITAGE CONVENT






*TITLE : DOG*
**Lelinson Longjam**
Class: IV,
Sec :Garnet
Roll No- 1
School: HERITAGE CONVENT







*TITLE : OGGY*
**Ak.Rohenjit**
Class: III
Sec : Sangai
Roll No: 36
School: Nirmla House



*TITLE : SAVE TREE*
**Jessica Takhellambam**
Class: III
Sec : A
Roll No- 1
School: Progressive English Shhool, Lamding



Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com